# স্পোর্টস অমসুং পোলিটিক্স

## লৈশাংথেম অজিৎ

**স্পোর্টসকা** পোলিটিক্সকা লাপথোক্লনা লৈগদবনি হায়জরবসু পোলিটিক্সকী লুচিংবশিংনা স্পোর্টসকী থবক থৌরমশিংদা খূৎ থিংজিল্লক্লবা হোৎনবা অসিদি থিংবদা খরা ৱানা থোক্কনি। কুমজা ১৯৮০ দা মোস্কোদা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা মতম অদুগী অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট জিমি কার্টরনা অফঘানিষ্টান্দা রসিয়াগী (সোভিয়েট) লান্মী থল্লিবশিং অসি লৌথোক্ত্রবদি মোস্কো ওলেম্পিকত্তা শরুক য়ারোই হায়বা অচেৎপা ৱারোল থমখিবদগী য়ু এস এ অমসুং মসিগা মীচং ওইমিন্নবা লৈবাক ৫০ রোম ওলেম্পিক অদুবু বোয়কোট তৌখি, শরুক য়াখিদে। মরম অদুনা লৈবাক ৮০ খক্তমক গেমস অদুদা শরুক য়াখি। মতৌ অসুম্না মথংগী ওলেম্পিক গেমস কুমজা ১৯৮৪ দা লোস এঞ্জেলসদা পাঙথোকখিবা মতমদা সোভিয়েট লৈবাক অমসুং মসিগী মীচংদা লৈবা লৈবাকশিং ওলেম্পিক অদুদা শরুক য়াখিদে। অসিগুম্বা বোয়কোটকী থৌওংশিং অসিনা ওলেম্পিক্কী মেদল ফংগদবা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি মাঙজবা অমা ওইরি।

অসুম্না মালেমগী ওইনা শান্নবগী খ্বাইদগী অচৌবা থৌরম অসিদা পোলিটিক্সকী মমি চাউনা তাহন্নবা হোৎনখিবা লুচিংবদি জর্মনিগী অদোল্ফ হিটলরনি হায়না লৌনরি। মহাক্না জর্মনিগী চাঞ্চেল্লর ওইবা মতমদা লৈবাক্কী শাসন অপূন্বা শুপ্না পায়শিন্দুনা মালেম লোই চনবগী ৱাখল অমা কন্না শাগৎলিঙৈগী মতমদা লৈবাক অসিগী কোনুং বর্লিদা ১১ শুবা কালেনগী ওলেম্পিক গেমস কুমজা ১৯৩৬ কী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্লম্মী। ওলেম্পিক অসিদা হিটলরনা নাজিগী ৱাখল্লোন অমসুং শক্তম্বু লোৎশিল্লগা অফবা শাশিন্নদুনা জর্মনিনা হীরম খুদিংমক্তা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদগী চাউখৎপা হেল্লি হায়বা হেক য়ারিবমখৈ উৎনবা হোৎনরম্মী।

কুমজা ১৯৩৩ গী জান্যুৱারী ৩০ দগী মহাক্না জর্মনিগী লৈঙাক হেক পায়বগা অনৌ অনৌবা লৈঙাক্লোন শেমদুনা জিয়ুশিংবু নমথনবা মখোয়গী মায়োক্তা থবক তৌবা হৌরকখি। নাজিনা Enabling Act অমসুং Nuremburg Law শেমদুনা মথং মথং ওইনা চৎনহন্দুনা জিয়ুশিংগী মাঙনবা তৌরম্মী। মখোয়বু থবক্তগী লৌথোক্লম্মী, লল্লোন ইতিক তৌহল্লমদে, শান্নফমদা চৎপা থিংলম্মী, লায়েংশঙদা জিয়ুশিং থবক তৌহল্লমদে। জর্মনিদা লৈবা জিয়ুগী শান্নবগী অশিন অরাং তৌবা কাঙলূপ অনী নত্তনা অতৈদি লোইনমক থিংজিল্লম্মী। Reich Association of Physical Culture গী কন্সটিট্যুসনগী মরীশুবা পেরেগ্রাফতা জিয়ুশিংবু মেম্বর ওইবা য়াদে হায়না ইরম্মী।



ওলেম্পিক গেমসতা পোলিটিক্সকী মমি চাউনা তাহন্নবা হোৎনখিবা জর্মনিগী অদোল্ফ হিটলর

কুমজা ১৯৩৩ গী জুন ৭ তগী ৯ ফাওবা ভেয়েনাদা ফমখিবা ৩১ শুবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী সেসন্দা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট বাইলেট লেতুরনা জর্মনি লৈঙাক্কী মীহুৎতা ওলেম্পিক গেমস বার্লিদা পাঙথোকপা তারবদি ওলেম্পিক্কী চার্টর ঙাক্লা চৎকদবনি হায়না ফোঙদোক্লম্মী। মহাক্না মখা তানা হায়রম্মী, করিগুম্বা জর্মনিনা মদু ঙাক্লা চৎপীদ্রবদি ওলেম্পিক তৌফম বর্লিন্দগী হোংদোকখিবগী ফীভম লৈ। মদুদা নাজিগী মীহুৎশিংনা ওলেম্পিক চার্টরবু ঙাক্লা চৎচগনি হায়না পাউখুম পীরম্মী। মসিগী মথক্তা ১১ শুবা ওলেম্পিক গেমস অসিদা জর্মনি টিমদা জিয়ু য়াওহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

Dr. Theodore Lewald অমসুং Dr. Karl Ritter Van Halt জর্মনিগী মীহুৎ ওইনা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর ওইরম্মী। মরম অদুনা মখোয় অনীমক বর্লিনগী কালেনগী ওলেম্পিক গেমস অমসুং Garmisch Partenkirchen কৌবা মফমদা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংথমগী ওলেম্পিক (ৱিন্টর ওলেম্পিক) ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মথংশিংনা ওইরম্মী। ভেয়েনাদা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা আই ও সিগী মীটিং হেক লোইখিবগা হিটলরনা মখোয় অনীবু শিন্দোক্তুনা HAN VAN TSCHAMMER UND OSTEN কৌবা অমবু ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মকোক ওইহন্নবা থৌরাং তৌরম্মী। মরক অসিদা বাইলেট-লেতুরনা হিটলরগা অথুবা মতমদা উন্দুনা মহাক্কী মরুপ অনী অদুবু ইকায় খুম্নবা ওইনা বর্লিন অমসুং গারমিক পারটেনকিনচেন ওলেম্পিক তৌনবগী অয়াবা পীবনি, মখোয় অনীবু ওর্গেনাইজিং কমিটিগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী তোকহল্লবদি ওলেম্পিক গেমস সহর অনী অসিদগী অতোপ্পা লৈবাক্কী সহরশিংদা হোংদোকখিগনি হায়রম্মী। হিটলরনা ৱা ঙাওদনা মহাক্কী থৌরাং অদু তোকখি অদুবু নাজিগী মীহুৎ মঙা ওলেম্পিক ওর্গেনাইজিং কমিটিদা য়াওহনখি।

কুমজা ১৯৩৫ গী সেপ্তেম্বর ১৫ দা হিটলরনা নরেমর্বজ লো লাউথোক্লম্মী, আইন অসিগী মতুং ইন্না জিয়ুশিংবু মীওইবদগী হেন্না হন্থবা থাক্কী কাঙলূপনি হায়না লৌগদবনি, মরম অসিনসু মালেমদা লৈরিবা জিয়ুশিংনা বর্লিন ওলেম্পিক্কী মায়োক্তা অমত্তা ওইবা খোল্লাউ লাউরম্মী। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা বর্লিন ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌরম্মী অদুবু য়াম্না মুন্না খন্থরবা মতুংদা শান্নবা অমসুং রাজনিতিগী মরক্তা চয়েৎনবা অমা লৈরকপদা শান্নবরোমদনা অরুম অয়াংগী চাংদা হেন্না লুম্মী।



কুমজা ১৯৮০ দা মোস্কো ওলেম্পিক গেমসতা অফঘানিষ্টান্দা থল্লিবা রসিয়াগী (সোভিয়েট) লান্মীশিং লৌথোক্ত্রবদি মোস্কো ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারোই হায়বা অচেৎপা ৱারোল থমখিবা য়ু এস এ প্রসিদেন্ট জিমি কার্টর

কুমজা ১৯৩৩ দা গ্রেট বৃটেন্না বর্লিন ওলেম্পিক য়াওবিয়ু হায়বগী চেরোল গেমসকী ওর্গনাইজিং কমিটিদগী ফংলম্মী অদুম ওইনমক লৈবাক অসিনা ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়াগনি হায়বগী ৱারেপ লৌবদা চহী অমা চঙলম্মী। বৃটিশ ওলেম্পিক এসোসিয়েশন্না ওলেম্পিক য়াওবা চৎনবা মীয়ামদা শেলগী অঙম্বা মতেং পীবিয়ু হায়বা ৱারোল ইবা চে মীয়ামদা য়েল্লম্মী। লৈবাক অসিগী মফম মফমশিংদা কঙ্গ্রেশ অমসুং রেল্লি পাঙথোক্তুনা ওলেম্পিক শরুক য়াবদা কান্নবগী মরমদা নৈনরম্মী। অদুবু বৃটিশ ৱার্কস স্পোর্টস এসোসিয়েশন কৌবা অচৌবা লূপ অমনা গেমস অসিদা শরুক য়াদনবা মীতিন তৌরম্মী। ইংলেন্দগী পাউচে *মাঞ্চেষ্টর গার্জিয়ন* না মীয়ামদা বর্লিন ওলেম্পিক য়াওবিদনবা মত ফোঙদোক্লম্মী। হাউস ওফ কমন্দা ৱাফম অসিগী মরমদা মতম চংনা নৈনরম্মী। মমৈথংদা বৃটিশকী টিম ওলেম্পিক্তা থাবা তারম্মী।

অমেরিকান জিয়ু কঙ্গ্রেশ, লীগ ওফ অমেরিকান রাইটর্স অমসুং *ন্যুয়োর্ক টাইমস* না অমেরিকাগী টিম বর্লিনদা থাবা পাল্লমদে, মসিগী মরমদা অমেরিকান কঙ্গ্রেসতা ৱাথোক অমা ওইখি। কুমজা ১৯৩৫ গী দিসেম্বর থাদা ন্যু য়োর্কতা অমেচর এথলেটিক যুনিয়নগী নেসনেল কনভেন্সন অমা পাঙথোক্লম্মী মদুদা মেম্বর ৬১ অমনা য়াওনিংবা, মেম্বর ৫৫ অমনা গেমস অদু য়াওনিংদবা ৱারেপ লৌখি। অরনেস লি-জিহেনেক কৌবা আই ও সিদা অমেরিকাগী মীহুৎ ওইবা অমনা গেমস অদুদা অমেরিকাগী টিম শরুক য়ারোই হায়বগী অকনবা ফিরেপ লৌরম্মী। মদুদা মহাকপু আই ও সিনা জুলাই ৩০ দা তাম্থোকখি।○

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ...

## চীফ সেক্রেটরিগী ৱাফম মীয়ামগী মায় পাকপনি

*এডিটর,*

মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা হায় কোর্ট কাদুনা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন থা অহুমগী মনুংদা হিংগৎহনগনি হায়ববগী মওং অসি প্রজা মীয়াম্না জুদিসিয়ারিগী মতেং লৌদুনা মীয়ামগী খন্নদ্রবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা মায় পাকপা অমনি। য়াম্না তাংবা থৌওং অমনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা তাং ২২/০২/২০১৬ তা হায় কোর্টনা কৌবগী মতুং ইন্না কোর্টতা কাদুনা চীফ জষ্টিশ লক্সমিকান্ট মোহাপত্র অমদি জষ্টিশ কে ঐচ নোবিনদা মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসনগী চ্যেরমেন থা ৩ গী মনুংদা হাপ্পগনি হায়না কম্মিটমেন্ট পীখ্রে। করিগুম্বা ঙমদ্রবদি মদুগী চৈথেংশিং খঙবা নৎত্রা হায়না চীফ জষ্টিশনা হংবদা সি/এসনা থবক অদু শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়না অমুকসু কোর্টতা খঙহনখি। মতুং তারকপদা কোর্টনা পি আই এল অসি হাপ্তা ৮ লৈরগা তানবা অদুগা মদুগী মতুং হাপ্তা অমগী মনুংদা করি করি তৌরবগে হায়বদু খঙহন্নবা ওর্দর তাখি।

হৌখিবা চহী ৬ অসিদা মীয়ামগীদমক্তা খনবীদ্রবা লৈঙাক অসিনা মরম অমা নৎত্রগা অমা পীদুনা নাম্থোক্লবা হোৎনবদু হৌজিক্তি য়াদ্রে। অদুবু হান্না তৌরম্বগী মরালগীদমক্তা অনৌবা সি/এস না মাগী মরাল লৈতনা কোর্ট কাবা অসিসু লাইবক থিবা অমনি। লৈঙাকপুদি অদুম লৈঙাক ওইরি। মমাঙগী তাং ২৭/০১/২০১৬ কী হিয়ারিংদা হায় কোর্টনা সি/এসপু তাং ৮/২/২০১৬ তা লাক্তুনা লৈঙাক্কী তশেং তশেংবা পোজিশন অদু খঙহন্নবা হায়খ্রবনি। হায়রিবা হিয়ারিং অদুদা লৈঙাক্লা এ জিনা কা ফংদবা/ফমফম লৈতবা অসিসু ঐচ আর সি এক্টিভেট তৌবা ঙমদবগী অচৌবা মরম অমনি হায়না কোর্টতা পাওদমখি। মসিসু অঙকপা অমনি। মরম অমা নৎত্রগা অমা পীশন্দুনা লৈঙাক অসিনা অসুক কুইরবসি কম্মিসন অসি চলাইদনবা হোৎনরি। অদুবু চীফ জষ্টিশ মোহাপত্রনা হিয়ারিং কয়াদা কম্মিসন অসি মহাক্না থবক্তগী পোত্থাদ্রিঙৈদা হিঙ্গৎহনগনি হায়না তোইনা তোইনা হায়বদগী হৌজিক্তি লৈঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি পি আই এল নং ৪/২০১৪ অসি ১৭/০১/২০১৪ দা ফাইল তৌদুনা চহী ২ গা থা ২ অসি কোর্টতা লৈরিবনি। হন্দক্কী অসিনা ১৫/১৬ শুবা হিয়ারিংনি। ঐখোয়গী ষ্টেটতা এম ঐচ আর সি অসি মে ২০১০ দগী হায়বদি চহী ৬ অসি মথৌ পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবনি অমদি লৈজরম্বশিংনা শেল ইতিং তিংদনা কেস শোক্লজবগী হক অদু মৎপীদুনা লাক্লিবনি। জজমেন্ট অসিনা মসিবু হিঙ্গৎহল্লগনি অদুগা পল্লিক্তা কান্নবা অদুম ফংহল্লগনি। জুদিসিয়ারি সিষ্টেম অসি মপুং ফাবা ওইসনু অমদি লোয়ননা ঐখোয় পূম্নমক্লা ষ্টেট হায় কোর্টপু থাগৎফম থোকই। কুইরবা মতুংদা ঐখোয়না কম্মিসন অসি মথৌ তৌবদু উবা ফংলগনি।

পন্দবা য়াদবা অমনা - মীওই কয়া, এন জি ও কয়ানা সেমিনার কয়া/রেল্লি কয়া অৱাবা কয়া খাঙদুনা ষ্টেট অসিদা হ্যুমেন রাইটকীদমক্তা লানফম কয়া থেংনরবসু, লিগেল ওপসন অসি ঐখোয়না কয়া শীজিন্নদে হায়বসি পেটিস্নরনা থমজরি। অদুনা ইজরিবনা কৎথোকপা পান্থা উকিলশিংগী কোর্সোটিয়ম অমা শেল্লগা মীয়াম পুন্না হোৎনবা মতম ওইরে হায়বগী মতসি থমজরি। মসিদা য়াবিরক্কদবা উকিল কয়া ঐখোয়গী সোসাইটি অসিদা লৈরি। হায়রিবা কোর্সোটিয়ম অসি শেমদুনা ঐখোয়না ঐচ আর সি/আর টি আই গুম্বসি লিগেল সিষ্টেমগী মতেং লৌদুনা হিঙ্গৎহনগদবনি। হৌজিক ঐখোয়না লিগেল সিষ্টেমদা থাজবা অমদি তৌবদগী মতেং লৌবা মতম ওইরে।

অদুগা অমুকসু, অসিগুম্বা মরু ওইবা কোর্টকী কেসশিংসি ন্যুজপেপর অমদি চেনেলশিংনা কোর্টতা চৎপীদুনা তাবীরগা ফজনা কোভর তৌবীদুনা মীয়াম খঙনবা তৌবীবা অদুগী মতম ওইরক্লবনিনা তৌবীনবগীদমক্তা ইজরিবা মেদিয়াগী মরুপ মপাংশিংদা আপিল তৌজরি। ভদ্রলোক অমনা মসিগী মমাঙদা হীরম অসিগী মতাংদা পি আই এল অমা থাখিবদু হৌজিকসু ঐ নীংশিংজরি। মদুদসু কোর্ট ওর্দর লৈনা লৈনা পেটিস্নর/উকিলদুনা মখা চৎথদবদগী মহৈ য়ানবা ঙমখিদে। হৌজিক্কী হিয়ারিং অসিদগীদি মমাঙগী লম্বী নিংথিনা উবা ঙল্লগনি হায়না নীংই।

মমাঙগী প্রেস রিলিজ কয়াদা পনখিবগুম, এদভোকেট আর কে দিপকনা পেটিস্নরশিংগীদমক্তা মহুৎ শিন্দুনা পৈশা অমত্তা লৌবীদনা লেপ্পীবগীদমক্তা থাগৎপদুসু ফোঙদোকচরি। জুদিসিয়েল সিষ্টেম মতম শাংনা লৈসনু; ঐখোয় লোয়নমক্লা ওনরেবল ষ্টেট হায় কোর্টতা থাগৎফম থোকপদু উৎসি।

*অদোমগী - **ডা. টি ঐচ সুরেস সিংহ***
***পেটিস্নর এন্দ এক্স দিরেক্টর, হেল্থ, মণিপুর***

## মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মতিক-ময়াই

*এডিটর,*

হৌজিক-হৌজিক মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা ওক্রম ইবোবী অসি য়াম্নমক মরাইবক ফবা নুপা অমনি হায়বসিদি লাই লাক্তুনা য়েৎলরবসু ককপা ঙম্লরোইবদবা ৱাফম অমনি। য়াম্না থাজদনা কুমজা ২০০২গী জেনরেল ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা য়াম্না থাজদনা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইখি। হায়রিবা ইলেক্সন অসিদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়া মায়থিহৌবা অমদি মতমসিদা মহাক(ইবোবী)না মপু পান্দ্রবগুম্না লৈরুরবা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট ওইরুবনা মরম ওইরগা ইরায় লায়না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইখিবনি। মহাক্না চিফ মিনিষ্টর ওইবা কুইদ্রিঙৈদা অমুক পার্লিয়মেন্টগী ইলেক্সন অমুক তৌরে। মদুদা অমুক কোংগ্রেসনা মায় পাক্তুনা পাল্লক্লে। মসিনসু লোইদ্রি এম এল এশিংনা চোংনিং-চোংনিংবা মতমদা চোংবা য়াদনদা এন্টি দিফেক্সন লো অমুক চৎনরকই। মসিদগীদি ইবোবীগীদি সনাদা তম্ফা থিনবা হায়বদু থোকখি। মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা টার্ম অমগী মতম মপুং ফানা চিফ মিনিষ্টর ওইবা ঙম্বা মীশক অমা হায়বদুসু ওইখি। মসিগী মতুং কুমজা ২০০৭তা পাঙথোকপা ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সনা অমুক এবসোলুট মেজোরিটি ফংদুনা ইবোবীগী চাউনা মায় পাকপা হায়বদু ওইখি। মসিদগী অমুক মখা তানা অনীশুবা টার্মগীসু য়েৎনবা লৈতনা চিফ মিনিষ্টর ওইখি। অদুগা কুমজা ২০১২দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিদনা তোরা তুরগনি হায়না পান্নরুরগা (কোংগ্রেস মনুংদসু পানখিবা) অমুক য়াম্না থাজদবা মওংদা কোংগ্রেসগী এম এল এ নিফুনিথোই কারকখি। মসিদগী অমুক হন্না ইবোবীনা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইদুনা ঙসিফাওবা লৈরি। শাংলবা চহি ১৪ মপুং ফারবা ইবোবীগী লৈঙাক অসিগী মতমদা মণিপুরদা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। অদুগা পামদবা থৌদোক কয়াসু থোকখ্রে।

পামদবা থৌদোক থোকপগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম্না হৌরকপা ঈহৌ কয়াবু মহাক্না য়াম্না লায়না-লায়না খুদুম চনশিনবা ঙমদুনতা লাক্লি। মসিদি মমাঙগী থৌদোক কয়ানা খুদমনি। অদুগা লাকচনিংলিবা ৱাফমদি, কুমজা ২০০৯গী জুলাইদা থোকখিবা রবিনা অমদি সঞ্জিৎগী ৱাথোক্কী মতাংদা সঞ্জিৎপু কাপ্তুনা হাৎপনি হায়বা হেরোজিৎ মশামক্না মশাগী মরাল য়াজরদুনা লৈপাক মীয়ামদা ফোঙদোরক্লবসু মণিপুরগী লৈরিবা মীয়াম্না অমদি সিভিল সোসাইটিশিংনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ঈহৌ লাকখিদে। তুমিন-তুমিন লৈশিনন্নখি (তুমিন্না লৈবদি নত্তে, মমাঙগীগা য়েংনবদা তুমিন্না লৈবগা পাঙ্খক ওইবদুদা হায়জবনি)। মসিদা ইবোবী শ্বর শোয়দনা হোন্দোক্লমগনি হায়না খল্লি। হেরোজিৎনা মিদিয়াগী সঞ্জিৎ হাৎখিবগী ৱাফম ফোঙদোক্লবা মতুংদা মণিপুরদসু ফোঙনরকপা অদুদা ইবোবী কোক ঙাওরমগনি খল্লি। অদুবু মদুমদি করিসু থোক্তনা লোইশিনখ্রে।

অদুগা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা লুই ঙাইনিগী থৌরম য়াওবা লাকপগী মতাংদা থোকখিবা থৌদোক অমগী মতাংদগী মণিপুর পুলিস কমান্দোগী মীওই মঙা সসপেন্দ তৌখিবগী মতাংদা মহাক্কী কোংগ্রেস পার্টি মনুংগী এম এল এশিংনফাও পেন্দবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়না হোমগী চার্জসু পুরিবা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখঙম ফম থাদোক্কদবনি হায়বা অকনবা দিমান্দ অমা তৌখি অদুবু মদুসু ইবোবীনা ইরায় লায়না থমায়খ্রে। কয়াদা হৈখ্রবনো ইবোবীসি। মহাক্কী অসিগুম্বা থমায়বা হৈবা মতৌসিদা মণিপুরগী প্রজাশিং, সিভিল সোসাইটিশিংসু তল্লব্রা করিনো খঙদ্রে হন্দক্কী ঈরাংশিং অসিগী মতাংদা হান্নগুম মান্নদনা লৈনখ্রিবসি। অঙকপনি ইবোবীগী মতিক-মগুণ। মহাক্কী মমাঙদা কোংগ্রেসকী অসুক য়ামখ্রবা এম এল এশিংনা ৱাহৈ অমফাও খিত্তং কপ্লপ হায়জবা ঙমদে। অদুম মচিনথোক্কী মীয়াম মমাঙদা ফজদে হায়নখিনি হায়না খরা অদুক ঙাঙবা নত্তনা। মসিসু তান চাদ্রবদি ইবোবীনা থওইনা হায়হল্লিব্রা খঙপোৎ নত্তে।

কম্মান্দো পার্সনেল মঙা সস্পেন্দ তৌবগী মতাংদা সি এম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রিবসি, হীরমসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর ওইরিবা গাইখঙমফাও খঙলম্লোই, মহাক্না তৌবনি হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা হায়খি হায়বসি মিদিয়দা রিপোর্ট তৌনরকপা অসিনা ময়েক লারবা খুদম্নি। অদু ওইরবদি, গভর্নমেন্ট সর্ভেন্ট অমবু মথক-থোংবা অঙম্বা ফম্নাইবা অমনা হেক্তা মহাক্কী অপাম্বা মওংদা দিল তৌবা য়াব্রা হায়বসিনি? ঐখোয় মীচম্না খঙদবা ওইরম্বসু য়াই। অদুবু নাগাগী মহৈরোয় লূপ অমগী মতাংদা থোকখিবা অপীকপা ৱাথোক অমগী মতাংদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরমক্না য়াম্না লুম্না হকচিন্না লৌদুনা ৱাথোক চাউনা থোরক্ত্রিঙৈদা ঈহৌ হৌরিবা কাঙবু অদুবু থেমজিন্নবা মরন্নাই ৱারেপ অমা লৌখি। অদুগা ৱারেপ অদুদা অতৈ মখা থাবশিংসু খুদুং ইলহনবা ঙম্লগা করিগীদমক মমাঙদা মণিপুরদা মীতৈশিংনা হৌখিবা ঈহৌশিংদা মতম কুইনা-কুইনা ঈহৌ হৌহনখিবনো? মসিনা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা মণিপুরগী মীতৈশিং অসিবু করিনি হায়না খনবগে হায়বদু ময়েক শেংনা তাকপনি হায়না লৌবদা করি অকায়বা লৈরিবগে? অদুগা মণিপুরগী সি এমসি নাগালেন্দগী এন এস এফকী মখাদা লৈব্রা হায়না মহৈরোয়গী লূপ অমদি অতৈ সোসল ওর্গনাইজেসনশিংনা হংনরকখিবা অদুগী পাউখুমসু সি এমনা কোংগ্রেস পার্টিগী খোইশাওনরবা এম এল এশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংনা ময়েক শেংনসু তাক্লে হায়বসু য়াই। মদুদি, অতৈ লৈরিবা ওফিয়েলগী ওইবা প্রোসেস অমদি অয়াবা অমত্তা য়াওদনা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম কম্মান্দো পর্সোনেল মঙা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবা অসি এন এস এফকী খোঙজং হন্দোকখিনবনি। অতৈ মরমগী নত্তে। নাগাগী মহৈরোয় লূপ অমনা ধপ খরা তৌরগা কিহন-খঙহনবদা মরাই লুক্না চৎপা অসিনা তাকপদি মণিপুরগী সি এম অসি এন এস এফকী মখাদা লৈরে হায়বা তাকপনি। অদুগী অসিগুম্বা লৈবাক্কী ওইবা য়াম্নমক সেন্টিমেন্ট ওইরকপা য়াবা মতাং অসিদা মণিপুরগী মীতৈগী এম এল এশিংনা তুমিন-তুমিন্না লৈশিন্নরবসিগী মরম করিনো?

হায়নিংবা ময়াম অমা হায়রবসু অরোইবা অসিমদি হঞ্জিল্লবসু হায়নিংই মদুদি, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা ইবোবীগী মতিক-ময়াই অসিদি ওস্থোক্লা কনখ্রে হায়বা তাই। ইশম-শম্না হায়রবদা হু চংদবা হকচাং হায়বদুগা পাঙ্খক্লি হায়না হায়রগা লোইশিঞ্জরি।

*অদোমগী-**লাইশ্রম লেখজিৎ, উরিপোক***

## হরাও হরাওনা ৱায়েল চথবিয়ু

*এডিটর,*

ইরমদম মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক অচৌবদগী হৌরগা ময়াই ওইরপ অমসুং থৌদোক মচা মচা কয়া থোক্লি। থৌদোক মচাশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা অমা হায়রগদি ইঞ্জোলগী, লৌগী খৎনবা অসিসু অমা ওইরি। মচিন মনাও, মপা-মচা, ইমুং-মনুং ওইবশিংনা মাগী মাগী শরুক ফংনিংবগী, হেন্না পাম্বগী, হেনজিল্লে অমসুং ৱাৎনা ফংলে হায়বদগী শাউনরক্তুনা পেন্নরক্তদুনা উংখৎনদুনা খৎন-চৈনবা কয়া থোক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা শিবা-নাবা কয়ামরুম থোক্লল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মীওই হেক লৈরিবা মখৈদি অসিগুম্বা ৱাথোক লাম্থোকশিংসি থোক্তুনা অদুম লৈগনি হায়বসি অচুম্বা ওইরগসু লমদম অসিগী তম্পাক্কী শরুক খরা অসিদা থোক্লিবসিদি শাগৈ খুদিংগী, মচিন মনাও ওইবা খুদিংগী থৌদোক ওইরকপগুম তৌরি।

লম লমদুগী, মফম মফমদুগী ওথোরিটি ওইরিবা এস দি সি/এস দি ও/দি সিশিংনা য়ারিবমখৈ নিংথিনা শেল ইচং চঙহন্দনা ভিজিটর চার্জ খরা খক্তং নৎত্রগা ফাইন ওইনা অপীকপা শেলফম অমা তৌহল্লগা হরাও হরাওনা খূৎশম্নরগা ৱায়েল চথরবদি অফবা শোয়দনা ওইগনি খল্লি। মসি নত্তদুনা ফিল্ডদা লাকপগী অচৌবা শেলফম, মতুং ইনবা খরচ, চাবা থকপা হায়দুনা মথং মথং চথরবদি পৈশা লৈজদবা মীশিংদদি অশাউবা মপুং ফারক্তুনা তাহৈদবা, উহৈদবা কয়ামরুম থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়বা ৱাফমসি থমজনিংই।

ওথোরিটি ওইবিরিবা এস দি সি/এস দি ও/দি সিশিংনা লৈরিবা চয়েৎনবশিং ময়েক শেংনা অতেনবা মতমগী মনুংদা ৱায়েনফম থোকপ্রা খঞ্জে। মসিগীদমক্তা মখোয়বু লৈঙাক্লা তলব পীদুনা মীয়াম্বু ইংনা চিক্না লৈহননবগীদমক প্লান অমা ওইনা থল্লিবনি। মরম অসিনা য়েৎনরিবা য়ানদ্রিবা মখৈদি শেলনা, লুপানা থোং শাবগী ৱাফমসিমদি তৌহঞ্জনিংদে। পৈশা পায়জদবা, লৈজদবা, শঙ্গ লৈজদবা ইমুংগীদি লৈকুৎ লৈরাইদা, লম্ম্যাং-তুম্যাংদা লৈবা তারবরা হায়না থমজনিংই।

*অদোমগী - **সাপম ইবোচৌ সিংহ***
***হৈরাঙ্গোইথোং অৱাং লৈকায়***

## এমপ্লোইমেন্ট ন্যুজদা মিৎয়েং অমা

*এডিটর,*

চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না ঈ-পাউ ফোঙবগী কান্নবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগুম লমদমসিদা লৈরিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়াগী থবক ফংদবগী প্রোব্লেমসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা চাউখৎলকপগী ঈচেলশিং অসিগী মনুংদা য়াওবা ঙমজদবা লাইরিক হৈরবা নুপা নুপী কয়া অমা থবক ফংদবগী ককঙাওনদুনা লৈরি। মণিপুরগী লোইজিং লোইয়া অথাপ্পা খুঙ্গংগী ঈ-পাউ কয়া তাবা ফংজদবা শেল লৈজদবা নেট অমদি ওনলাইন কম্প্যুটরগী খুদোংচাবা ফংজদবা লাইরিক হৈরবা নুপা নুপী কয়ানা জোব সেন্টরদা অমদি এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ দিপার্টমেন্টদা তোয়না চৎতুনা গভর্ণমেন্টকী থবক কৌরকপা য়েংবা চৎপদা খরচ য়াম্না তিংনরি। থবক কৌরল্লবসু থবক লৈবগী শেল লৈতদুনা তন্দুনা তোকপসু কোঙ্গায়নি। লৈবাকসিগী ফম্নাইবা অচৌ অশাংগী ইমুংদদি জোব প্রোব্লেম লৈতে হেন্নদুম এদভান্টেজ লৌনরি। অসিগুম্বা নিংহন্নরক্লবা চৈরক্তা হুইয়েন লানপাউগী মনুংগী লামায় অমগী কলমদা নুংতিগী এমপ্লোইমেন্ট ন্যুজ হাপ্পীরকপা অদুক্কী মতিক থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মসিনা মণিপুরগী নহা ওইরিবা হোৎনবা কনবা লাইরিক হৈরবা মীওই কয়াদদি কান্নবা খরদি পীরক্কনি খল্লি। এমপ্লোইমেন্টগী কলম অসিসু খরগা হেন্না পাকথোক চাউথোরক্লবদি হেন্না নুংঙাইজগনি। লোয়ননা সেন্ট্রেলগী নোর্থ ইষ্টতা লাকপা জোব এদভর্টিজমেন্টদনা হেন্না অকুপ্পা পাউ পীবিদুনা হেন্না চৎখিগদবা খরচতগী কনবীদুনা অদোমগী তৌবিমলবু কাউদবা ওইরসনু।

অসুম্না হুইয়েন লানপাউ পাউ চেগী এদিটরনা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা অনৌবা ইনোত অমা হাপ্পীদুনা ঈ-পাউ ফংহনবদা নত্তনা থবক ফংদ্রিবা মীওই কয়াদা হোৎননিংবগী পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীবা ওইরসনু।

*অদোমগী - **য়ুমখাইবম ইনাওচা,** তোপ মখা লৈকায়*

## সেরিকলচর ফার্ম তকখায়রম্লে

*এডিটর,*

হৈঙাং ময়াই লৈকায় সোসিএল ফোরেষ্ট্রি কম টসার ফার্মিং কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ রেজিষ্টর নং ৫ ওফ ১৯৮৩-৮৪ গী মখাদা চীংদুম টু মর্জিং খোংনাং তরুমখোং, সিমনা অসিগী মনুংদা সোসাইটি অসিনা অয়াবা পীদুনা সেরিকলচর বিভাগকী মখাদা কাব্রং ফার্ম শেমদুনা কাব্রং পান্থী থাদুনা ফার্ম তৌজরক্লিবা অসি চহী ৩০ মপুং ফারক্লে। ফার্ম তৌবগী অয়াবসু মতম অমগী এম এল এ ওইবিরম্বা দল্লিয়ু জাগোর সিংহনা লৈঙাক্তগী চীং অসি লৌবিদুনা সোসাইটি শেমদুনা অয়াবা পীদুনা ফার্ম তৌজরকপনি। ফার্ম অসিবু হিংহন্নবা হোৎনবদা ফার্মরশিং লোইশঙ (সেরি দিপার্টমেন্ট) অসিদগী কাব্রং চারা, হার, শেন্থং, তীল-হীদাক, শম্বল খারিবা মচাকশিং পীদুনা ফার্মরশিংগী মতেংসু পীবতা নত্তনা তীল য়োক্ন বা তীলয়োকশঙশিংসু শাবিরি, মতেং পীবা য়াবা পীবিরি। অদুবু লাইবক থবদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী আর ও, সদর হিলস ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা লৈবনা আর ওগী য়াথং মতুং ইন্না জে সি বি শীজিন্নদুনা হায়রিবা ফার্ম অসি শম্বল নমখায়দুনা চঙশিল্লগা তীলয়োকশঙ অসিগী মমাঙদা থারিবা কাব্রং পান্থীশিং তকখায়দুনা উ চারা নর্সরি শেম্নবগী মমিংদা ফার্ম অসি তাং ২২/২/২০১৬ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগা তাং ২৩/২/২০১৬ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা তকখায়দুনা মাঙ তাকহল্লম্লে। উপায় লৈত্রবা ফার্মরশিংনা মরী লৈনবা হৈঙাংগী জে এফ এম সিগী মীওইশিং অমদি সোসাইটিগী মরু ওইবা মীওইশিংদা তাকপদগী হৌজিক হৌজিকমক্তি মরৈ য়েৎনদুনা মখা তানা থবক তৌখিদ্রে। অসিগুম্বা মথোং মরম খঙহন্দবা থবকসি ঙম্মী হায়বা মতাগুম নম্ফু হাফু তৌবগী হৈনবীগী থবক ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবশিংনা তৌবিগনু হায়না সেরি তৌজরিবা ফার্মরশিংনা পাউচেগী থোঙদা হঙ্গৎচরি।

*অদোমগী - **ৱাইখোম নিমাই, ৱাইখোম মঙ্গি,***
***ৱাইখোম লনচন্দ্র, হৈঙাং ময়াই লৈকায়***

## ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চীন্দনা অমা তৌথোরকপনা অমা

*এডিটর,*

ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মিনিষ্টরগী মনকী বাদ মহাক্কী প্রপোজেল অদুক্কী মতিক অপেনবা ফাওই। নোর্থ ইষ্ট চাউখৎতনা ইন্দিয়া চাউখৎপা য়ারোই। থবক লৌবা মতমদা গ্রেদ থ্রি অমসুং সিক্স ইন্টরভিয়ু তৌররোই, রিটর্ন টেষ্টতমক তৌরনি মরমদি লায়রবা লাইরিক্তি হৈজবা ৱানোম্নবা পৈশাদি পায়জদবশিংগী য়েংলগা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়না। মসিদা হংজনিংলিবা ৱাহংদি মণিপুরদদি কয়ামুক য়াম্না ইফেক্টিভ ওইদৌরিবনো সিনি। মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি মণিপুর অসি অসুক্কী মতিক করপটৈদ ওইবা লৈবাকনি হায়বা। খুদম ওইনা ঐখোয়না তাজবা উজবদা পুলিস কন্সটেবল অমা লৌবদা ফিজিকেলদগী হৌরগা ভিভা ফাওবা লুপা লাক্ষ ৫-৬ কী মথক্তা চঙই হায়বা অসিনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অঙম অথৌশিংনা নোর্থ ইষ্ট চৎলু, মণিপুর চৎলু, মখোয়গী ফজবা য়েংঙু, মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমনি, মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ কয়া পুরকই, কলচরদা ফজবা ফুরুপনি, স্পোর্টসতসু পৱার হাওসনি, মণিপুর য়াওদনা ইন্দিয়া ওইবা য়ারোই হায়বনচিংবা হায়রি, লাউরিবা অসি চীন্দদা হায়বা ওইদৌরিব্রা? হন্দক্তা শিল্লোং অমদি আসামদা পাঙথোকখি সাউথ এসিয়ন গেমস অসিদনা মশান্না খরদং ওইরবসু য়ূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা পীবিদবসি মণিপুর মীয়াম্বু ইকায়বা পীবগা চপ মান্নে। অদুনা আসাম অমসুং মেঘালয়া হায়রিবা ষ্টেট অসিদি মণিপুরগা য়েংনরুবগদি মখোয়দি শান্নবদদি আ মখাদা লৈখ্রে হায়জগে। অন্দর-১৭ ফুটবোল ৱর্ল্ড কপনচিংবা পাঙথোক্লবা ফিফাগী ইগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং আসামদা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিশন কয়ানচিংবা পাঙথোরক্কদৌরি মসিনা করি ওইরকপা? অদুনা মতম লৈরিঙৈদা মরী লৈনবশিং, সিভিল ওর্গেনাইজেশন অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঐখোয় মশেল শ্বাইদা হুন্নদুনা লৈবগী মহুৎতা করি লৈবগে হায়বদুসু থিদোকপীয়ু অদু নৎত্রবদি মণিপুর অসি নমথদুনা থম্বীরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

## ঙসিগী শুমাং লীলা কনাগীনো?

*এডিটর,*

মণিপুর মীয়ামগী খ্বাইদগী পাম্নবা আর্ট ফোর্ম অমা হায়বা তারবদি শুমাং লীলানি হায়বা তাই। মসিগী থোইদোকপা মরম অমদি মণিপুরীশিংগী পুন্সি মরেলগা শাগোন্নদুনা চৎমিন্নবা কলা মখল অমা শুমাং লীলানা ওইরি। মীয়াম্না খোইদানা য়োকখৎপা কলা ওইবনা মরোমদোম হিংদুনা লৈবা ঙম্লকপনি। মরোমদোম হিংদুনা লৈরকপা কলা অমা ওইরবসু ঙসিদি মীচম মীয়ামগীদমক্তা লৈবা কলা মখল অমা ওইনা লৈরিব্রা? ৱাফম অসি মরু ওইনা কুপ্না নৈনবা অমদি য়েংশিনবগী মথৌ তারল্লব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইনা লৈরক্লি।

মতম অমদা শুমাং লীলা অমা য়েংনবগীদমক্তা অচৌবা শুমাং নৎত্রগা লম্পাক অমদা হাফ লেম্পর্টন নৎত্রগা প্রেটোমেক্স অমা থাল্লগা ময়াইদা মাইক্রোফোন অমতং শীজিন্নরগা য়াম্না চম্না শুমাং লীলা শান্নরম্মী। অদুবু ঙসিদি মতমগী অকনবা ঈচেলদা শুমাং লীলাসু য়াওশিনখিদুনা লীলা য়েংনবা হোৎনবা মতমদা লীলা পার্টিগী অপাম্বা মতুং ইন্না ফজনা শেম শারবা ষ্টেজ, অঙানবা মৈ অমদি মতমসিগী অফবা সাউন্দ শীজিন্নদুনা লীলা উৎপা তারকই। লীলা কাঙবুনসু মতমগী ভাবোক ফানবা হোৎনবদা মমল তাংবা ফিজেৎ লৈতেং শীজিন্নরকপা, অফবা সাউন্দ সিষ্টেম অমদি মখল মখা কয়াগী মতমসিগী খূৎশু খূৎলায় কয়া শীজিন্নদুনা শুমাং লীলা তৌরকই। হায়রিবা মরম কয়াসিদগী শুমাং লীলা অমা শান্নবগী মমল (দক্ষিনা) অসি য়াম্না ৱাংখৎনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকই।

অসুম্না শুমাং লীলাগী মমল ৱাংখৎলকপা অসিনা মীচম মীয়ামনা পাম্নবা কুম্মৈ ওইরম্বদগী মচিঞ্জাক চাজবা মিদল ক্লাসতা লৈবা মীওইশিং হায়বদি ক্লবনা তৌবা চেরিটিদা য়েংবা নৎতনা শুমাং লীলা য়েংজবা ফংদ্রে। মরমশিং অসিনা শুমাং লীলা অসি মীয়ামগী ওইরিব্রা হায়বা ৱাহ অসি থোরক্লবগী মরম ওইরি।

মথক্কী ৱাফম অসিগা মরী লৈননা শুমাং লীলাবু ঙাকলৌ পীরিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি অমদি শুমাং লীলা কাউন্সিলনা অকনবা মিৎয়েং চঙফম থোক্লব্রা হায়জনীংই। মীচম মীয়ামগী অৱা নুংঙাইগী মপাউ পুরিবা শুমাং লীলাগী কাঙবুনসু ৱাখল খন্থবগী মতম লাক্লে।

*অদোমগী - **লাইচা,** অরাপতি*

## উকু পাকথোকহনবীয়ু

*এডিটর,*

খাঙবোক খুল্লক্তা চৎলিবা লম্বী ও দি আর অসি হান্না য়াম্না পীক্তুনা লৈরম্বদগী হৌজিক্তি য়াম্না পাকথোকপীখ্রে অদুগা লোইশঙ মনাক্তা লৈরিবা নোংদম্বী তুরেলনা ফাওদোক্লিবা শগোল খোং থোং য়ৌদ্রিঙৈ লোইশঙ মনাক্কী গোলাইদা লৈরিবা উকু অসিদি লম্বী পাকথোকখিবা মতমদসু উকু অসি য়াওনা পাকথোকপীরমদ্রে। হান্নগী হান্না অসুম পীক্তুনা থম্বীরম্লে। লম্বীনা পাক্লগা উকুনা পীক্লগা লৈরে। গোলাইনগা ওইবনে লম্বীগী টর্নিং পোইন্ট শুদবদগী উকুদা য়ৈশিন্দুনা গাড়ী কয়া শোক্লে, মী কয়াসু শোক্তুনা হোস্পিটালাইজ তৌনবা য়াওরে। গাড়ীনা ৱার্কশোপ্তা লৈনরে। এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্লে। নোং তারগা অমুক হেল্লি থোকপা। হৌজিক অমুক নোংগী মতম লাক্লবনি। চহীসিগী জান্যুৱারী ৯ দা তাখিবা নোংদসু গাড়ী কয়া তুশিন্দুনা, য়ৈশিন্দুনা শোকপা য়াওরে। গোলাই হায়বসি গোলাইনি। য়াম্না থেকপা খরতা থেকপা য়াওই। অদুবু হায়রিবা লোইশঙগী গোলাই অসিদি য়াম্না থেকপা মরম্না অমুক্কা হেন্না খুদোংথি। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা উকু অসি পাকথোকহনবীদুনা প্রজা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংথিরিবা অসিদগী কনবীনবা হায়জরি। লোয়ননা লোকেল এম এল এগীসু মিৎয়েং চঙবীদুনা অথুবা মতমদা পাকথোকহনবীনবা হায়জরি।

*অদোমগী - **থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ, খাঙবোক***